# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী খোইজাং অমসুং বোইজাং খুলগী লোন্নবা মফমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

২) নাগালেন্দদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী অসামগা লোন্নবা অনেম্বা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়রি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ব্রাজিল অমসুং ভারত লৈবাক অনিগী লল্লোন ঈতিক্কী লমদা লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা দোল্লর বিল্লিয়ন ২০ ওইহন্নবা পান্দম থল্লি।

------

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- কাংপোকপী জিলাগী খোইজাং অমসুং বোইজাং খুলগী লোন্নবা মফমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী ইন্সাস রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল মঙা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অহুম, পুল মেছিন রাইফল অনি, ইমপ্রোভাইস মোর্তার তরুক, হেন্দ গ্রেনেদ অমদি দিটোনেতর খর, রবর বুল্লেট, ইন্সাস রাইফলকী মরু খরা, ট্যুব লোঞ্চর অনি, মোর্তার ঐচ.ই সেল অনি,

রেদিও হেন্দসেটনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং ওক্সোংবুং ৱার্দ নম্বর ১১ দগী কে.দি.সি. (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অসি থৌবাল জিলাগী মফমশিংদা লৈবা স্কুল অমসুং কলেজশিংদগী নমদুনা শেনফম কয়া খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। মীওই অসিদগী মোবাইল হেন্দসেট অমা ফংলে হায়রি।

মরক অসিদা, ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমসু ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অসি মীচম মীয়াম, চেক্কোনশিংগী মপু অমদি সরকারগী থবক তৌবা মীওইশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- বিষ্ণুপুর জিলাদা মমাং থাগী ৯ দা বন্দ শৌগৎপা মীওইশিংনা মণিপুর পুলিসতা খুৎ থাবগী থৌদোক্তা চেন্নবা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মীওই ৬ অমসু ফাগৎলে। মণিপুর পুলিসনা মোটোর ভেহিকল ওফেন্দর ৫৯ দগী চলান কক্তুনা লুপা লাখ ১ লিশিং ৩১ খোমগৎখ্রে হায়রি।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলম পুবা মাল গাড়ি ২৩৫ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তল্লকখ্রে।

সেনাপতি (এল)ঃ সেনাপতি জিলাদা মণিপুর সরকারগী ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলস বিভাগকী ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা শিন্দুনা পি.এম. জনমান অমসুং পি.এম. দাক্সগুৱাগী মতাংদা মীয়াম্মু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। ত্রাইবেলশিংগী ফিভম ফগৎনবা পায়খৎপা স্কিম অনি অসিগী মতাংদা স্কুল অমসুং কলেজগী মহৈরোইশিংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংদুনা স্কিম অনি অসিগী অকুপ্পা ৱারোল পীখি। থৌরম অসিদা ত্রাইবেল এফ্যারস অমসুং হিলসকী দিপ্যুতি দাইরেক্তর জোন গাইদিংঙম দাংমৈ শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা ত্রাইবেল মহৈরোইশিংদা সরকারনা স্কিম অসিগী মখাদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংশিং অদু মখোয়না করমা ফংগনি হায়বগী মতাংদসু অখঙ অহৈশিংনা খঙহনখি।

ওকপা (এল)ঃ  এ.এফ.সি ৱিমেন এসিয়া কপ ক্বালিফিকেসন ২০২৬ তা ভারতকী নুপী ফুটবোল শান্নরোই টিমগী গোল কিপ্পা ওইনা খল্লক্লুবী এলাংবম পান্থোই চনুবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং ককচিং জিলাগী কৈরক কৈথেল লম্পাক্তা লৈবা কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নিংশিংবা য়াই, এলাংবম পান্থোই চনু অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী ২০২৫ গী বেষ্ট ৱিমেন গোল কিপ্পা এৱার্দসু ফংখ্রবীনি।

থৌরম অদুদা ৱাবগাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ- উশম দেবেন শরুক য়াখি।

নাগালেন্দ ঃনাগালেন্দদা নোং লেপ্তনা চুবদগী অসামগা লোন্নবা অনেম্বা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়রি। দিমাপুর জিলাগী লেংগ্রিজান, বোরলেংগ্রি অমসুং রিভল বেঙ্ক কোলোনি অসিগী য়ুম অমসুং লম্বীশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে। ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সনা ঈশিংদা পনদুনা লৈবা মীওইশিং শাফগদবা মফমদা থাংদোকপগী থবক চখিরি। দিমাপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখিবনা মীয়ামা অৱাবা মায়োকরি। জিলা অসিগী প্লান্নিং অমসুং দিভলপমেন্ট বোর্দকী চেয়ারমেননা দিপ্যুতি কম্মিসনারগা লোয়ননা ঈশিংনা থুমজিল্লবা মফমশিংদা য়েংশিনবগী থবক চখখ্রে। চুমুকেদিমা জিলাগী ৱার্দ নম্বর ফোরসু ঈশিং থুমজিনদুনা লন থুম কয়া অমাং অতা থোকহল্লে হায়রি।

পিএম ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ব্রাজিল অমসুং ভারত লৈবাক অনিগী লল্লোন ঈতিক্কী লমদা হৌজিক ওইরিবা দোল্লর  বিল্লিয়ন ১২ হেনবা অসিদগী হেনগৎতুনা লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা দোল্লর বিল্লিয়ন ২০ ওইহন্নবা পান্দম থল্লি।

ব্রাজিলগী রাষ্ট্রপতিগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা পুন্না পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অনিনা লল্লোন ঈতিক্কী লমদ অসিদা হেন্না মরী চেৎশিনবা থমবা পুন্না থবক কয়া পায়খৎলগনি। শ্রী মোদিনা হায়- ভারত অমসুং ব্রাজিলনা লৌউ শিংউ, চান থকবা পোৎলমশিং শেম শাবা,

দিজিতেল পাব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং স্পেচ টেকোলোজিগী লমদা মপুং ওইনা তেংবাং পীনরগনি। লৌউ শিংউ অমসুং অতৈ চান থমবা পোৎলমশিংদসু লল্লেন ঈতিক্কী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা থৌরাং পায়খৎলগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা ব্রাজিল লৈবাক্কী ওইনা মীচম মীয়ামদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা মনা গ্রান্দ কোলর ওফ দ নেসনেল ওর্দর ওফ দ সাউদর্ন ক্রোস মনা পীদুনা ইকায় খুমখ্রে। ব্রাজিলগী রাষ্ট্রপতি লুলা দা সিলভানা মনা অসি প্রধান মন্ি মোদিদা লৈবাক অনি অসিগী মরী হেন্না ফগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগীদমক খুৎশিন্নবনি হায়রি।

ভারত অমসুং ব্রাজিলগী ওইবা ৱাফমশিং খন্নরবা তুংদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি (ইষ্ট)না পাউমীশিংদা হায়- ব্রাজিলগী রাষ্ট্রপতিনা মখোয়গী লৈবাক্তা ভারত্তগী অনা লায়েংগা হিদাক শেন্বদা চংবা ড্রগশিং পীরগনি হায়বগী ৱাফম অসিবু তরামা ওকখ্রে।

ভারত্তগী লাকপা লম কোইবা অমসুং লল্লোন ঈতিক তৌবা মীওইশিংগীদমক্তা ভিজা শেন্বদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি হায়রি। লৈবাক অনিনা য়ান্ন-ৱারোল অহুমসু সহি তৌনখ্রে। য়ান্ন-ৱারোলশিং অসিদা তেরোরিজম অমসুং ত্রান্স নেসনেল ক্রাইম অমদি বাইও ফ্যুএলগী মতাংদা য়াওই হায়রি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রিগী লৈবাক মঙাগী খোঙচৎ ওইনা নামিবিয়াদা থুংলগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ওইনা নামিবিয়া লৈবাক অসিদা অহানবা খোঙচৎনি। চহি ৩০ গী মতুংদা ভারতকী পধান মন্ত্রি অমনা লৈবাক অসিদা চৎপনি।

ভারত অমসুং নামিবিয়ানা সেক্যুরিতি হকশেল অমসুং ফারমাগী লমদা য়ান্ন-ৱারোল কয়া সহি তৌনরবা য়াই হায়রি। শ্রী মোদিদা নামিবিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা মীচম মীয়ামদা পীবা মনা পীদুনা ইকায় খুমগনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আই.এল.পিগী থৱায় কৎখিবা রোবিনহুদ নিংশিংখ্রে, মণিপুরগী আই.এল.পি.এস অঙাংদা ঙামোক পীজবগুম্নি- জে.সি.আই.এল.পি.এস হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফমদা ১০ শুবা লমজিং মৈরা রোবিনহুদ লৈখিদবগী নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে। পোলিতিকেল লিদরনা আধার অপদেট তৌবদা মীতোপ হাপচিল্লম্লবদি ঙাকপীরোই- জে.সি.আই.এল.পি.এস হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জিরিবামগী থৌদোক্কা মরী লৈননা হাই কোর্টনা এন.আই.এদা চার্জসিট থাগৎলকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা মণিপুরদা এন.আর.সি তৌগদবনি হায়রবসু প্রাইম মিনিষ্টরনা য়াদ্রি, আই.এল.পি.এসসু মমিং খক্তগী ওইনা চৎনহল্লোইদবনি হায়না লোক সভাগী এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা জেদ.আর.এনা মখোয়গী দিজিগনেতেদ কেম্প মশিং হন্থবা ঙমলোই হায়না শিখাঙ খাঙবদগী কুকি সু গ্রুপকা এম.ঐচ.এগা শান্নরিবা ৱারী মহয় য়ানবা ঙমদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা অরানবা থবক তৌবদা চেন্নবা ভেটরিনারি ওফিসার খরা কষ্টদি রিমান্দ পীখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মণিপুরদা দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলক্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা জোইন্ট ওপরেসন চথদুনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা এম.এল.এশিংদা কুকিগী বোদি খরনা দিক্তেদ তৌরিবা অসি আইন্না য়াদে, চার্জ তৌরকপা য়াই হায়না থাদৌ ইনপী মণিপুরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা কুকি মিলিটেন্টশিংগী তৌনরিবা সু শাংদোকপা য়ারোই হায়না মীতৈ হেরিতেজ সোসাইতিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মাও পুলিসনা মীওই অনি গঞ্জা কিলোগ্রাম ৮২৩ কোন্ননা ফারে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------